# পাকিস্টানদা মেগ্নিচ্যুদ ৫.৭ য়ৌনা য়ুহা হাবদগী মীওই ২০ শিখ্রে, ২০০ হেন্না শোকখ্রে



ক্বেটা, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
পাকিস্টানগী খা থংবা শরুক্তা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মেগ্নিচ্যুদ ৫.৭ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে। য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুদা য়ুম অমদি লম্বী থোং কয়া অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়নননা মীওই ২০ শিহনখ্রে অদুগা ২০০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা বালোকিস্টান প্রোভিন্সতা ঙসি অকনবা মওংদা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা য়ুম কয়া নিংখায়হনখি অমদি প্রোভিন্স অসিদা খুদক্কী ওইনা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা লৈহনখিদ্রে। বিল্ডিং নিংখায়রকপদগী অশোক অপন নংলবা মীওইশিং অদুবু হেল্থ ৱার্করশিংনা ট্রিটমেন্ট চথনবা হোৎনবদা মৈ লাক্তবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। অতোপ্পা পান্থে লৈরক্তবদগী মোবাইলগী ফ্লাস লাইটশিং থান্দুনা ট্রিটমেন্টকী থবকশিং চথখি।

য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা মফম অসি প্রোভিন্স অসিগী মনুং চনবা হরনাই সিটিগী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী শরুকশিংদা ওইরি। হায়রিবা মফম অসি য়ৌনা চংশিন্নবা হোৎনবদা লম্বীগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

বালোকিস্টানগী হোম মিনিস্টর মির জিয়া উল্লাহনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, লোকেল ওফিসলশিংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না মীওই২০গী অশিবা হকচাং থেংনরে। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা নুপী ১ অমসুং চহী নৌরিবা অঙাং ৬ য়াওরি। মীওই ২০০ হেনবনা বিল্ডিংগী অতেক অকায়শিংনা মরম ওইরগা শোকহনখ্রে। শোক্লবশিংগী মনুংদা ৬ কী ফিভম লুনা লৈরি। লেমহৌরিবশিং খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে।

প্রোভিন্স অদুগী সেনিয়র গভর্নমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুনা কা হেন্না চৈথেং পীখ্রবা মফমশিংদা মতেং পাংনবগীদমক অথুবদা হেলিকোপ্টরশিং থাজিন্দুনা মথৌ তৌহল্লগনি। মনুং হঞ্জিনবা মফমদা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা মী কনবগী থবক চথবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিনা মরম ওইরগা অশিবা মী মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ। লোকেলশিংনা মী কনবগী থবক্তা চাওনা মতেং পাংলিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# ৱাশিংটননা পাকিস্টানদা তেংবাঙ পীবগী থবক লেপ্পনা অফবা খোঙথাং ওইগনি: রিটয়র্দ জেনরেল




ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
পাকিস্টাননা মমায় অনী লোংবা থবক তৌরিবা অসি তোক্ত্রবদি মখা তানা লৈবাক অসিদা য়ু এসনা তেংবাং পীবগী থবক লেপ্পনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মতমদা নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর ওইনা লৈরম্লবা থবক্তগী পোথারবা হান্নগী জেনরেল ঐচ আর এম সী মাষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টালিবাননা অফঘানিস্টান মপুং ফানা খুদুম চনখ্রবা মতুং পাকিস্টাননা মরৈ অনী লোংবগী থবক চথরি। মালেমগী লৈবাকশিংদা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লগা টালিবানশিংদা অতোপ্পা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লি। অফঘানিস্টানদা হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবগী থৌওং অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা পাকিস্টাননা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই। অদুবু পাকিস্টাননা মশাগী ওইজবা য়েংলগা থবক তৌবনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি।

কাবুলনা টালিবানগী মখুত্তা তাখিবা মতমদা পাকিস্টাননা য়ু এসকী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মসিনা মরম ওইরগা হান্না পাকিস্টানদা ৱাশিংটননা পীরম্বা মতেং অদু খুদক্তগী লেপ্পনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা থবক তৌরবদি ৱাশিংটননা অরেম্বদা য়াল্লবা শেনফমশিং মাঙহনবা ওইনা থোক্কনি।

অফঘানিস্টানদা লৈরিবা মীয়ামশিং অদুগী খল্লগা য়ু এস য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা শেলগী তেংবাং পীনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অফঘানিস্টানদা শেলগী তেংবাং পীরুবা হায়বসি টালিবানগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা থৌওং তারগা তোক্কনি। মীয়ামগী খল্লগা অফঘানিস্টানদা পীগদৌরিবা শেলগী তেংবাং অদু অৱাবা তারবা মীওইশিংনা কান্নবা ফংদ্রিঙৈদা টালিবানশিংনা মখোয়গী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নখিগনি হায়বসি মাঙদা তাদুনা লৈরবা ৱাফম্নি। মসি খঙনা জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসননা থবক তৌগদবনি হায়রি।

পাকিস্টানদা য়ু এসনা চহী কয়াগী মমাংদগী তোঙান তোঙানবা মখলগী মতেংশিং পীদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি মদুগী মতম হেল্লে। তেংবাং পীবগী থবক লেপ্পদা নত্তনা পাকিস্টানবু নন নেটো এলাইগী থাক্তা থল্লিবা অসিসু লৌথোক্কদবনি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা লালহৌবশিং মুখৎনবা হোৎনরি। অদুবু পাকিস্টাননা মসিগী মায়োক্তা থবক তৌরি। টালিবানগী মখুত্তা অফঘানিস্টান তাখিবা অসি য়ু এসকী থৌইনশিনদা শোয়বদগী নত্তে। পাকিস্টাননা নারোলদা টালিবানগী মতেং পাংশিনবদগীনি। টালিবান ফাইটরশিং পাকিস্টাননা চঙজফম পিদুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা খুৎলায় কয়াসু মতেং পাংশিল্লি।

টালিবাননা অফঘানিস্টানদা পৱার পায়রকপা মতমদা খ্বাইদগী ইহান হান্না হরাওবা ফোঙদোকখিবা লৈবাকসু পাকিস্টাননা ওইরি। টালিবান লৈঙাক অসিবু রিকগনাইজ তৌনবা পাকিস্টাননা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মালেমগী লৈবাকশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লি হায়রি। অমরোমদা পাকিস্টাননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা পাকিস্টানি টালিবানগী মীহুৎশিংগা ৱারী শাবগী থবকসু হৌখ্রবনি।

# জমর্নি অমসুং দেনমার্কনা সিরিয়া কেম্পতগী নুপী অমদি অঙাংশিং লৌথোকখ্রে

বর্লিন, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা আই এস আই এল (আই এস আই এস) কী খুৎলায় পায়বা মীওইশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিং ফাজিন্দুনা থম্বা কেম্প অমদগী ঙসি জমর্নি অমসুং দেনমার্কনা নুপী ১১ অমসুং অঙাং ৩৭ লৌথোক্তুনা মশাগী ময়ুমশিংদা পুরকখ্রে হায়না জর্মন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কর্দিসশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা রোজ প্রিজন কেম্পতগী নুপী অমদি অঙাংশিং অদু পুথোরকখিবনি। সিরিয়াদগী অঙাং ২৩ অমদি অঙাংশিং অদুগী মমা ৮ পুরকখিবা চার্টর ফ্লাইট অদু ঙসি অঙনবদা ফ্রেঙ্কফর্ট এয়রপোর্টতা থুংলখিবনি। প্রিজন অদুদা অঙাংশিং অদুনা লৈখিবা অদু মখোয়গী মরাল নত্তে। অদুম ওইনমক মমাশিং অদুনা চথরুবা নৎত্রগা তৌরুবা থবকশিং অদুগী পাউখুমদি পীবা মথৌ তারি হায়না ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস মিলিটরিগী মতেংগা লোয়নননা চথখিবা ওপরেসন অদুদা দেনমার্ককী ওইনসু অঙাং ১৪ অমদি নুপী ৩ মরমদমদা পুদুনা চৎখ্রে। রোজ প্রিজনদা লৈরুরবা র্জমনিশিং মরুওইনা অঙাংশিং অদুবু তেক্ত কায়দনা পুরকপা ঙমখিবা অসি য়াম্না নুংঙাই। অঙাংশিং অসি জেলদা লৈগদবা নত্তে। মখোয়দি য়াম্না নুঙাইনা শান্নদুনা লৈগদবা মতম্নি হায়রি।

অমরোমদা ফ্রেঙ্কফর্ট এয়রপোর্টতা চার্টর ফ্লাইট অদু হেক থুংলখিবগা জর্মন ফেদরেল প্রোজিক্যুটরশিংনা নুপী অহুমদি ফাদুনা পুখি। মখোয়শিং অদু ফোরেন টেরর ওর্গনাইজেসনশিংগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি হায়রি।

# এয়রপোর্টতা টার্গেট তৌরকখিবা এটেক কোলিসন টিমনা মায় পাকহনখিদ্রে

রিয়াধ, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
সাউদি অরাবিয়াগী অভা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা টর্গেট তৌদুনা চথনবা হোৎনরকখিবা এটেক অমা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন টিমনা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না কোলিসন টিম অসিগী মকোক থোংবা ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসর অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং থন্না য়াওবা দ্রোন প্লেন শীজিন্নদুনা এয়রপোর্ট অসিদা এটেক চথনবা হোৎনরমখিবনি। কোলিসন টিম অসিগী ইনফোমের্সসন মতুংইন্না এটেক চথবা য়াবগী পাউ ফংলবা মতুং য়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা কোলিসন টিম অসিগী মেম্বরশিংনা মথৌ তৌদুনা লৈখি। দ্রোন প্লেন অদু নোংথক্তা মাঙহন্নবা হোৎনরবসু ঙমহৌদবদগী লৈমায়দা তাশিন্দুনা কায়খি। মদুদা এয়রপোর্ট অদুগী ৱার্কর ৪ মাইনর ওইনা শোকখি অদুগা এয়রপোর্ট অদুগী অপীকপা শরুক খরসু অমাঙ অতা থোকখি। এটেক অসি কনানা চথখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। গ্রুপ অমত্তনসু মসিগী মতাংদা ক্লেইম তৌরকপা লৈত্রি। মিলিটরিগী মায়কৈদগীদি এটেক অসি হৌথি রেবেলশিংনা চথরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

# মিলিটরি লৈঙাক্না মোহমদ বিভোগুইবু গিনিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে

কোনাক্রি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
মমাং থাদা গিনি মিলটরিনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা লৈহনগনি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা হান্নগী সিভিল সর্ভেন্ট মোহমদ বিভোগুইবু লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খল্লে হায়না লাউথোরকখ্রে।

মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মমিং লাউথোকখ্রবা বিভোগুই হান্না নেসনেল গভর্নমেন্টকী মতাংদা এক্সপরিয়েন্স অমত্তা লৈত্রিবা মীওইনি। মশাগী চহী ৬৮ শুরবা বিভোগুই এগ্রিকলচরেল দিবলপমেন্ট ফাইনান্সিং অমসুং রিস্ক মেনেজমেন্টকী এক্সপার্ট ওইরবসু পোলিটিসিয়ান অমা ওইনা লাকখিবা নত্তবনা মরম ওইরগা মহাক্কী থবকশিংদা খুদোংচাদবশিং থোক্লক্কদ্রা হায়না মীয়াম্না মীপাইনরি।

অমরোমদা নৌনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা বিভোগুইনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী লেমজনিঙাই ওইরবা ফম অমা মঙোন্দা পীরকপা অসিদা অঙকপা পোকই। মতম কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অসিগী মীওইশিংগী কান্নবা থবক কয়া তৌগে হায়বগী ৱাখল খন্দুনা লাকখ্রবসু মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা লৌমীশিংদা মহাক্না কান্নবা কয়া পীখ্রে অদুবু মসিনা লৈবাক অসিবু মপুং ফানা চাওখৎহনবদি ঙম্লোই।

মিলিটরি লৈঙাক অসিনা মহাকপু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লাউথোরক্লবসু মখোয়গী মখাদা থবক তৌবগী ৱাখল লৈতে। মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌগনি। করিগুম্বা মসিদা মিলিটরিগী মায়কৈদগী অয়েৎপা পীরক্লবদি পি এমগী ফমদগী খুদক্তা রিজাইন তৌগনি হায়রি।

HL-B/1951/134,6,8

# নোর্থ কোরিয়াদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা কোভিদকী তেংবাঙ পীরগনি

সিওল, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
চাইনাগী ঙমখৈগী শরুক ফাওদুনা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ-১৯ মায়োক য়াবদা মতেং ওইনবা তেংবাঙ পোৎলমশিং পীরগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মালেমদা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ঙমখৈগী শরুক্তা থম্লম্বা অথিংবশিং খরা কোমথোকপা হৌরকখ্রবা মতুং চাইনাগী দালিয়ান্ট পোর্ট ফাওদুনা তেংবাঙগী পোৎলমশিং পীনবা থবক পায়খৎপা হৌরকখিবনি।অমরোমদা ওর্গনাইজেসন অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা তেংবাঙগী পোৎলম খরা হান্না থাবা হৌখ্রে। নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা অচৌবা চৈথেং পীরকপদগী লৈবাক অদুগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লিবা অদুগী য়েংলগা ওর্গনাইজেসন অসিনা তেংবাঙ পীনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। পনবা য়াবদি লৈবাক অসিগী মথক্তা য়ু এসনা অথিংবা কয়া থমজিনখিবদগী ইকনমিগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি।

# ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বর ৪ টালিবাননা কাবুলদগী ফাবা ঙমখ্রে



কাবুল, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
কাবুলদা লৈবা মোস্ক অমদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) কী মেম্বরশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা এটেক চথদুনা মীওই খরা অশোক অপন নংহনখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা এটেক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা অকনবা মওংদা চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা আই এসকী মেম্বর ৪ ফাবা ঙমখ্রে হায়না টালিবানগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

টালিবানগী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় জবিহুলাহ মুজাহিদনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঘমান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মোস্ক অমদা আই এস ওইরম্বা য়াই চিংনবশিংনা বোম এটেক চথরকখিবনি। মদুগী মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অফঘানিস্টানদা অতোপ্পা লালহৌবশিংগী মফম পীরোই হায়না টালিবাননা ফোঙদোকখ্রবসু আই এস অমদি অল কাইদানচিংবা লালহৌবশিং লৈবাক অসিদা লৈদুনা ওপরেট তৌবগী ৱাফমশিংদি ফোঙদোক্লরি।

টালিবাননা হান্না ফোঙদোকখিবা অদুগী মতাংদা হৌজিকসু অহোংবা লৈতে। অতোপ্পা লালহৌবশিংনা লৈবাক অসিদা লৈদুনা ওপরেট তৌহল্লোই হায়বসি টালিবানগী পান্দম্নি হায়রি। অমরোমদা জলালবাদতা আই এসকী মেম্বরশিংনা টালিবান মিলিসিয়া ফোর্সকী মেম্বর অমা মঙক কত্তুনা হাৎখ্রে হায়না ক্লেইম তৌরকখ্রে হায়রি।

# টেক্সাস হায়স্কুলদা তল্লিবা চহী ১৮ শুরবা মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীওই ৪ শোক্লে

টেক্সাস, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
টেক্সাসতা লৈবা হায়স্কুল অমদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিং ক্লাসরুমদা ফুনরকপগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপথোরকপগী থৌদোক্তা মীওই ৪ অশোক অপন নংলে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



আরলিংটন এসিস্টেন্ট পুলিস চীফ কেভিন কোলবিনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু টেক্সাসকী টিম্বরভ্যু হায় স্কুলদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মহৈরোয় অদু টিমোথি জোর্জ সিম্পকিন কৌই হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়নননা মহাক পুলিসনা ফাখ্রে। মহৈরোয় অদুদগী পুলিসনা .৪৫ কেলিমর গন অমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

টেক্সাসতা লৈরিবা হায় স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিং খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা নোংমৈ শীজিন্নবগী থবক অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মসিগা মান্নবা থৌদোক কয়া সিটি অসিদা চহী কয়াগী মমাংদগী থোক্তুনা লাক্লি। ঙসিগী থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ৪ অদুগী মনুংদা মশাগী চহী ১৫ খক্তা ঙাইরিবা মহৈরোয় অমগী ফিভমদি লুনা লৈরি। অতোপ্পা অহুম অদুদি খুদক্কী ওইবা ট্রিটমেন্ট চথরবা মতুং খুদোংথিনিঙাই ওইদবনা ময়ুমগী অহল লমনশিংদা শীন্নখ্রে।

সিটি অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবগী পান্দমদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌদুনা মথৌ তৌবা হৌহনখ্রে হায়না কোলবিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা স্কুল অদুগী অকোয়বদা মতম খরগী ওইনা মী চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থল্লে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রবা স্কুল অসিদা পুন্না মহৈরোয় ১,৯০০ লৈ। করি মরমগীদমক মহৈরোয়শিংগী মরক্তা নিঙাই শংদান্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অথুবা মতমদা স্কুল ওথোরিটিশিংগা উনদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা মরীক চুম্বা পাউ পীনবা হোৎনরি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং পুলিস ভানশিংনা মহৈরোয়শিং মফম অদুদগী পুথোরকপগী থবক চথখি।

অমরোমদা ঙসিগী থৌদোক অদুবু নুঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা মখা তানা স্কুলশিংদা লাইবক থিবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা গন কলচর অসি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা অসিগী মতাংদসু থিজিনবা হৌরগনি হায়রি। পনবা য়াবদি য়ু এসকী স্কুলশিংদা হৌজিক ফাওবদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা মহৈরোয় ২,৫৬,০০০ রোম অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

# রসিয়ানা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্লগনি

মোস্কো, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
অফঘানিস্টানগী মতাংদা মালেমগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোক অসিগী হোষ্ট রসিয়ানা ওইদুনা থা অসিগী ২০ পাঙথোক্লগনি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগী স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিব জামির কাবুলোভনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী লৈবাকশিংগী ওইবা মীফম অসিদা চাইনা, পাকিস্টান অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিংনা শরুক য়াগদৌরি। মীফম অসিদা মরুওইনা টালিবান লৈঙাকপু রিকগনাইজ তৌবা অমদি অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতেং পাংবগী মতাংদা মরুওইনা খন্নরবা য়াই হায়রি।


নম্বর এন-১৪০২/১০/২০২১-এন আই (ঈ ১৮০৬০)
গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পাৱরমেন্ট
দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পাৱরমেন্ট ওফ পর্সনস ৱীথ দিসএবিলিটিস

রুম নম্বর ৫১৭, ৫শুবা ফ্লোর, অন্ত্যোদয়া ভবন,
সী জি ও কমপ্লেক্স ন্যু দিল্লি ১১০০০৩
তারিখ ২৯ সেপ্তেম্বর ২০২১

পন্দিত দিনদয়াল উপাধ্যায়া নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর পর্সনস ৱীথ ফিজিকেল দিসএবিলিটিস (দিব্যাংজন) (পি দি য়ু এন আই পি পি দি), ন্যু দিল্লিগী দিরেক্টর খন্নবা

মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্ট (এম এস জে এন্দ ঈ), দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পাৱরমেন্ট ওফ পর্সনস ৱীথ দিসএবিলিটিস (দিব্যাংজন), গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা ওটোনোমস বোদি অমা ওইরিবা পন্দিত দিনদয়াল উপধ্যায়া নেসনল ইন্সটিট্যুট ফোর পর্সন্স ৱিথ ফিজিকেল দিসএবিলিটিজ (দিব্যাংজন) (পি দি য়ু এন আই পি পি দি), ন্যু দেল্লীগী দিরেক্টরগী ফমগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। ফম অসি পে এলাৱেন্সশিংগা লোয়নননা পে মেট্রিক্সকী লেভেল ১৩ (লুপা ১২৩১০০-২১৫৯০০)গী মখা পোনগনি অমসুং অহানবদা দেপ্যুটেসন/শোর্ট টর্ম কন্ট্রেক্টতা চহী ২ লৈগদবনি। পর্ফোর্মেন্স রিভিয়ু তৌরগা চহী অমমম্ চহী ৫ ফাওবা শাংদোকপা য়াই।
২. অকুপ্পা এদভর্টিজমেন্ট, এপ্লিকেসন দোক্যুমেন্টনচিংবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱেবসাইট www.disabilityaffairs.gov.in দা অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী ৱেবসাইট হায়বদি http://www.iphnewdelhi.in/ দা ফংগনি। এপ্লিকেসনশিং লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ ইমপ্লোয়মেন্ট ন্যুজদা এদভর্টিজমেন্ট অসি ফোঙবা তারিখতগী থারগা নুমীৎ ৪৫নি ফাওবনি।

(নভিন কুমার)
অন্দর সেক্রেটরি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
davp 38117/11/0028/2122



COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
For
MEDICAL REGULAR COURSE
2021-22
For Admission & details please
Visit Our Website :www.cometcoaching.in
Last date of form submission : 11th October, 2021
Class commencement from : 18th October, 2021
Free Studentship available
(Limited seats based on first come first serve basis)
Special Features
- Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
- Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
- Assessment test every Sunday (during pandemic).
- If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Study Materials will be provided.

Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning, Airport Road



DHANAMANJURI UNIVERSITY
MANIPUR
NOTICE
Imphal, the 5th October 2021

No. 3/1/2018-DMU/Rect/2020-I: It is hereby notified for all concerned that the following is the schedule for recruitment to the posts of (i). Assistant Registrar, (ii). Assistant Controller of Examinations, (iii). Assistant Finance Officer, (iv). Driver, (v) Peon and (vi) Sweeper-cum-Chowkidar in respect of Dhanamanjuri University:-

| Sl. No. | Date | Particulars |
|---|---|---|
| 1 | 21-10-2021 (Thursday) | Uploading/display of Eligible candidates list |
| 2 | 22-10-2021 (Friday) to 25-10-2021 (Monday) | Submission of claims and objections |
| 3 | 26-10-2021 (Tuesday) to 03-11-2021 (Wednesday) | Issue of Admit cards |
| 4 | 05-11-2021 (Friday) | Driving test for applicants to the posts of Driver |
| 5 | 10-11-2021 (Wednesday) | Written Examination for I). Asst. Registrar & Driver (Morning shift) II). Asst. Finance Officer & Sweeper-cum-Chowkidar (Evening shift) |
| 6 | 11-11-2021 (Thursday) | Written Examination for I). Asst. Controller & Peon (Morning shift) |

-sd/-
Dr. Nivedita Lairenlakpam
Registrar
Dhanamanjuri University
HL-B/7205/7,8